ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ওক্টোবর ৩০, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২১৫শুবা মশীং

# ইবিনু, ফোঙবীনু, তৌবীনু

## হায়বীরক্কনু তানীংদে

নোংম-নোংমগী মীশিং য়ামখৎলকপা, লৈবাক লৈঙাকলোন্দা অহোংবা-অওনবা কয়া লৈরকপা, থৌদোক-ৱাথোক কয়া তোয়না থোকচিল্লকপদগী মালেমগী মীওইবনা খুন্দারিবা মফম পূম্নমক্তা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী থৌদাং তপ্না-তপ্না হেঙ্গৎলকই। হেঙ্গৎলক্লিবা থৌদাংশিংসিগা ইরোয়ননা লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টসিগী লৈঙাকলোনসিদদি জ্যুদিসিয়ারি, লেজিসলেচর অমসুং এগজিক্যুটিভকী হেক মথংদা প্রেসনা মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়রিবনি। তশেংনমক প্রেসনা মরু ওইবা য়ূম্বী মরিগী মনুংদা অমা ওইরে হায়বগী চপ চাবা ফম্ফম অমসুং পৱার লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসননা তোপ-তোপ্না য়াথোক্তুনা নাখৈ শেংনা পীবমক নৎত্রবসু প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানা পুল্লগা শেন্লিবা প্রেসকী থৌদাং চাওরকপদগী মরু ওইবা লৈঙাকলোনগী য়ূম্বীশিংগী মনুংদা অমনি, মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়নরিবনি। ৱাফমসি খঙনা অমসুং ইকায়খুম্নুনা মীদিয়া হাওসশিংনসু তৌফম থোকপা মথৌশিং নীংথিজনা পাঙথোক্লনবা হোৎনগদবনি। প্রেসপু দেমোক্রেসিগী মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়দুনা ৱাংলবা থাকসিদা থাঙ্গৎপীবগী মথক্তা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানা কভর তৌবা ন্যুজ আইটেম অমা লৈবাক মীয়ামগী হকথেংনবা ‘কনসর্ন’ ওইরক্লবদি মেট্টরদু লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংদা টেবল তৌদুনা খন্ন-নৈনরকই। মসিমক্না প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াবু, প্রেসপু ‘অন-ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিভ ওফ দি পীপলস’ হায়দুনা ফাওবা শীংথানবিরকই। মীদিয়াগী থৌদাং অমুক্কা হেন্না হেঙ্গৎলকই।

হায়রিবা ফীভমসি ঙসি-ঙরাংতদগী ওইরকপা ফীভম নত্তে। চহী খরগী মমাঙদগী ওইরক্লবনি। অদুগা হৌজিকসু ওইদুনা লৈরিবনি। অদুবু ওইরিবা ফীভমসিদা লিৎশিল্লক্তুনা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া হাওসশিংদা অদুগী মতাংদদি ইবিরনু, ফোঙবীরনু, তৌবীরনু অমসুং খন্ন-নৈনবগী টোপিক/এজেন্দা ওইহনবীরনু, মদুগী মতাংদা খন্নবিরনু হায়বা ৱাফমশিং কাংথোক্লরক্লিবসিবু হায়ফম থোকপা, তৌরকফম থোকপা থবক্লা হায়বনি। হায়জ-নোঞ্জরক্লিবা অদুনা হুমদুনা পুখ্রগনা মীদিয়া হাওসতুনা অকক্লবা পাউ অদুবু তাগদৌরিবা মীয়ামগী ‘রাইট টু ইনফোর্মেসন’ মৎপগী থৌদৌ থোকহল্লক্কনি। অকক্লবা অমসুং অরেপ্পা পাউদুবু কমপ্রোমাইজ তৌবসু থোকহল্লক্কনি। থৌওংসিদি চুমদে। হান্নদগী অদুম্মক লৈরক্লবা অমা ওইরবসু হন্দক অনৌবা মীখল পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লকপসিদদি মৈরৌ হেঞ্জিল্লকপদৌনা তৌই। তৌহৈদবা থবকনি। থবকসিনা পাউমী অমগী ইন্টিগ্রিটিদা কায়হল্লি। ঙাক্লা চৎলিবা ইথিক্সতা খুরৌ থাংহল্লি। খুনু মখোঙ শল্লৌবদৌনা থোকহল্লি। মরমদি পাউমীশিংনসু মীয়াম্না তানীংগদবা, উনীংগদবা থৌদোক অমগী পাউ অশেঙবা থোকখিবমক ওইরবসু থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুনা লো কোর্টকী থোঙজিন্দা লেপ্পরবদি পাউমীশিংগী উকল করিনা ওইগদগে হায়বগী পান্বে ফংদ্রবদি অদুগুম্বা থৌদোক্তুগী পাউ কভরেজ পীদবসু য়াওই। মতাংসিদনি ষণনা উরোক থোং লানবা উরবসু উদে হায়য়ু হায়বগী ৱাফম ফাওবা চোঙথোরক্লিবসি ক। অদুবু মীদিয়া হাওসশিংদা অকক্লবা থৌদোক-ৱাথোক অমগী পাউ কভরেজ তৌবীদনবা চুম্না হায়জরকপদগী হেন্দোক্তুনা লো-এনফোর্সিং এজেন্সী নৎত্রগা ওফিসলশিং শীজিন্নদুনা হায়হল্লক্লগদি মদু ‘রিক্বেষ্ট’ ওইরগসু ‘ইম্পোজিসন’ নি হায়দুনা লৌগনি। কিহন-খংহনবা অমগা লোয়ননা থাংজিল্লকপা খাঙথাংনি হায়দুনা লৌগনি। অদুবু ফীভমসি য়ৌরকপদা হায়নীংলিবদি প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানা কভর তৌদুনা মীয়ামদা মিৎ-নাকোং ওইহনগদবা থৌদোক্তুগী পাউদু ফোঙহন্নীংদ্রবা অমসুং মদুগী মতাংদা খন্ন-নৈনহন্নীংদ্রবদি করিগী থৌদোক্তু থোকহনবনো? লৈবাক ৱাথোক ওইরক্কনি খঙনা তৌরুরিবা অমসুং তৌহল্লুরিবা করিগীনো হায়বসিনি। মসিনা তাকপদি য়াগনি, ঙম্মনি হায়দুনা অনীংবা অপাম্বদু হেক্তা তৌশিল্লুবা অদুগা ৱাথোক ওইরক্লগনা মীদিয়া হাওসশিংদা পাওহোম্লকপা, প্রেসকী মচিন মেন্ননবা হোৎনরকপগী থৌওং নৎত্রা? থৌওংসিদি লোইজিং-লোয়াদা, মনুং-হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা মীওইশিংবুদি মমিৎতা উৎ চাইশিন্দুনা থম্বা ঙম্লবসু মতমসিগী মশক ফজনা খঙলবা মীওইশিংবুদি হুমদুনা পুবা ঙম্লোই। মপান্থোংদা তাওরগা মশোং উনা লৈখিবদি য়াই, মীয়াম্নদি শিৎ-নান্না খঙনি। খঙলবা মীওইশিংদুগী থম্মোয় খুত্তুম্না শুদুনা লৈনি। মতুংদা তৌরক্কনু, তানীংদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১) ***“জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা”*** হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **“রবীন্দ্র লৈচল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু।

৩) ***“ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা”*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্না তোপ্না ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজে।”*** অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) ***“লৈপাক্কী মুর্তি”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শাউজনীংবা অনীখক

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

মীখল ময়ানা মহেল্লে খোয়দৌ শাউগৎপা। ঐনা খোয়দৌ শাউগৎচরুদনা কৈদৌনি? ঐগুম্বা তোল্লবা ননাই অপিখক অমনা পেন্দবা ময়াম অমনা হাগৎলক্তনা খোয়দৌ শাউগৎলকপা ঙমগেনা ঙম্লবদা পাউচেগী ৱারেং (আর্টিকল) অমা ইরক্কে হায়বসিঙাই। ঐনা শাউনীংবগী মরম অনীনি। ঐনা শাউজনীংবা অমনা খোয়দৌ বৃ-বৃ পাখৎচবনি, অতোপ্পা শাউজনীংবা অদুনা খোঙ শাংনা তিংথোল্লগা ও খোংনা কপচনীংবনি।



মীখল ময়া য়ৌর-য়ৌরগা তিনবী অরিবা কাঙবা হেল্লি। ঐনা খোয়দৌ বৃ-বৃ পাখৎপা অদুদি ভোট কানীংবা মী অদুনা লৈবাক মীয়ামদা মীখলগী মমাঙদা হৌরক্লিবা নহারোল ময়ামদা লৈঙাক্লা থবক পীগনি হায়না তপ তাবমখৈ লাউরগা ভোটতু ময়ামদা গিৎ গিৎ নমহল্লগা কারে, অদুগা কারবা মতুংদুদনা ইরায় হেক লায়বমখৈ তৃম্মুবা হৌগৎলকপদা কাউবদৌনা করি হায়গেবু - লৈঙাক্কী থবক তান্নবগী শরুক ইশানা ইশাবু থবক পীজবগী মতম য়ৌরে হায়রি। থবক থিরিবা নহাশিংদুদা ওনশিল্লগা ইশানা ইশাবু থবক পীজবা মতম ওইরে সিনিসে।

ইশানা ইশাবু থবক পীজবা হায়রিবা অসে, ইশানা শেল থাংদোল্লগা বিজিনেস অমা হৌদনা করম হায়না ইশানা ইশাবু থবক পীজগদৌরিবনো? লম্বীদা খোঙগ্রাউ শেগায়বা অমা শেৎলগা খৈনি খরা উম্মগা তৌফম খঙদদনা মতম লেল্লবা আশা মাঙলবা, লাইরিক লাইশুসু গ্রেজুএট, মাষ্টর লোইরবা নুপা অদুনা মতৌ করম্না মশানা মশাবু থবক পীজবা ঙমগদৌরিবনো? মশামক ফাওবা থবক ফংদদনা কোয়ঙাও কোয়চৎনরবা নুপাদুদা করেম্নবা ওইনা ইশানা ইশাবু থবক পীজৌ হায়রি, অদুগা মসিগী মথক্তা মীঙোন্দা থবক পীবা ঙম্বা মী ওইয়ু হায়রি। ৱা অসি হেক তাবদা খোয়দৌ অসি বৃ-বৃ পাখৎলে।

ইশানা ইশাবু থবক পীজগে হায়রবদি শেল্লেপ লৈবা তাই। মাল-চাং লৈবা তাই। ইশানা ইশাবু থবক পীজবা হায়বা অসিদি মী পূম্নমক অসি শেল পায়বা মী ওইনা লোইনা উবিরবগী ৱানি। ইঙ্খোল মচেৎ অমা লৈতবা, লৌ মচেৎ অমা লৈতবা, শিকি মৈতৎপী অমা ফাওবা পায়জদ্রবা কোং-কোং লাউরবা নহা অমনা করম হায়না তৌরগা মশানা মশাবু করি থবকনোনে মশানা মশাদা পীজদৌরিবা থবক অদুবু, খঙবু খঙনীংঙিনে। হোয়, মশানা মশাবু থবক পীজবা হায়না খঙনরিবা অসি বেঙ্কতগী লোন লৌরগা করবার (শেন্থোকলম) অমা হৌবদুনি, খ্বাই খৈবিক্লা খঙনরিবা অসি।

বেঙ্কতগী লোন লৌবা! হা হা হা। কমাইনা লৌদৌরিবা? করিমত্তা হেক লৈত্রবা অথা খোঙগ্রাওফাও ফোৎল-ফোৎলগা শেৎচরবা আশা মাঙ অদুদবু বেঙ্ক কনানা লোন পীবীদৌরিবা? কনানবু মাগী গেরেন্টর ওইবিদৌরিবা? মখূৎ মশা ফজনা হৈরবা, মকোক লৈরবা মী অদুদা লোন অদু পীবা ঙম্লগদি মফৈ অদুদি নত্তদুনা লৌ-ইঙ্খোলগী শেল অদুনা লোন শিংবা ঙমগদবা মী, গেরেন্টর লৈরবা মী অদুখক্লা লোন ফংদৌরি। হৌজিক মতমদা তশেংনা লায়রবা মীওই অমনা হৌগৎনীংঙাই মরম ইরৈ লৈতে। অরৈবা মীনা লোন ফংই, লৈতবা মীনা লৈরক্লবা লোন ফংবদি মংলানগী মশক্কা মান্নরি। মালংদা তেন কাপ্পগা মান্নরি। লায়রবা মীনা লোন লৌনবগী গেরেন্টর কদাইদগী? অদুনা ইশানা ইশাবু থবক পীজবা হায়বা অসিমা শেল পায়জদুনা লৈরবা মী নৎত্রবা অমা শুকওইমক ওইররোইদৌবা ৱা অমনি।

মথংদা ঐনা খোঙ শাংনা তিংথোল্লগা ও খোংনা কপচনীংবা, শাউজনীংবা মখল অদুদি শুবা নোম্বা কল্লবদি নুংঙাইরক্কনি, চাওখৎলক্কনি হায়বা ৱাফম অদুনি। নহান কেন্দিদেট অমনা কেমেরা মীটিং অমদা লৈবাক মীয়াম অসি শুনীংদে, হোৎননীংদে, লৈবাক অসি চাওখৎলোই হায়না নীংশিংবীরম্মী। মদু তারুরগা শাউনীংবনা ঐ কল্লাক থক থক নীকপমখৈ হেক্তা শাউনীংখি। নোং হেক ঙানবদগীনা নুমিৎ হেক তাদুনা থবক শুদুনতা লৈরম্বা ঐগী ইপুবোক অদুগা ইপা অদুগা অদু করিসু চাওখৎখিদে, করিসু নুংঙাইখিদে। থবকপু শুরবদি নুংঙাইরক্কনি হায়রিবা থবক অদু করি করম্বা থবকনো অমুক্তা খঙজনীংখ্রেদা। ঐগী ইপুসু, ইপাসু ওখাক হায়ফেৎ থবক শুবা মীনি অদুবু লৌ অমা লৈবা ঙম্লমদে, ইঙ্খোল অমা লৈরমদে। অনানবা য়ূম অমা শাবা ঙম্লমদে। চাওখৎপা, নুংঙাইখৎপা হায়রিবা অসিবু থবক শুরগা হেক্তা ওইবা য়াব্রনে? শুরিবা থবক, থাদরিবা শেনফম, কয়াম চাউনা-পিক্লা শুবা থবক-থনানো হায়বদুগী মখা পোন্দ্রনে। মতাংসিদা ঐগী শাউনীংবা অমুক লোইজরে। ●

# ঙসিগী লুচিংবশিং মতমসিগী অথৌবশিং

**নবকুমার ওইনা**

মালেমসিগী মীওই কাঙলূপ খুদিংমক্না মশাগী ফুরুপ কঞ্জনবগী হক লৈ হায়বসি অয়াম্বনা খঙনরবনি। মদুমক খঙনদবা য়াওরবসু মশা কঞ্জনবগীদমক ঙাকথোকপা ঙম্নবা হিংনরিবনি। শা লানগী চৈথেং কয়ানা মীওইবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা অমসুং লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা মুক্নবা য়াওনরকপদা শাথেং লাম্থেংনবা হৌনরকই। কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমা লৌশিন্নবা তৌরকপগী ৱাথোক কয়া লৈরি। মদু থিংবা ঙম্নদবদগী কাঙলূপ কয়া মালেমগী ফুরুপ অমা ওইনা লেপ্পা ঙমদনা মুৎখিবা য়াওরি। মসিগুম্বা ৱাথোক কয়াদগী মশাগী ফুরুপ কঞ্জনবা লুচিংবা কয়া থৱায় কৎপা ঙম্বমখৈ চোঙথোক্লরকই, মদুসু মী মরক্তনি, শাশিংগা মুক্নবা নত্তে।

পুন্সি হায়বসি থবকনি। থবক শুদবা, শিন্থোং খঙদবা, লৌশিং ৱাৎপশিংনা খুন্নাই অমা ওইনা শাগৎতুনা হিংবা ঙম্নরক্তে। মদু খঙদবা নৎত্রগা খঙলকপা মতমদা কাঙলূপ অদু মুৎখিবনা হাল্লম্বা কয়া মালেমদা লৈখ্রে। মসি পূম্নমক মহৌশাগী খোঙচৎ অমনি হায়না থাজনরম্মী। হৌজিক্তি মখোল থোক্তবা লান অমগুম কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমা উমশিল্লকপা থৌওং কয়া অমসু উনরক্লে। মরম অসিদগী কাঙলূপকী লুচিংবশিংগী মরক্তা মুক্নরকপা, চায়নরকপা হৌনরকই। মিৎয়েং অমদা মীওইবনা কদায় ফাওবা লৈবাক মচা তানা মালেমদা হিংলবগে হায়বা ৱাহংসু লাকই। লমদমসিগী লুচিংবশিংনা করি হায়রিবগে, করি তৌবা ঙম্লিবগে? লুচিংবদি লৈবাক মচা তাগদৌবনি হায়বদি লৈতে।

মশাগী লৈঙাক্লোন মওং তাদবা, খুন্নাইদুগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন মপূং ফাদবা, মীয়ামদুগী চৎনলোন্দা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা ঙমদবা, মতমগী খোঙথাংদা খুমাং চাওশিনবা ঙমদবা, শিন্থোং খঙনা থবক শুহৌদবদগী শেন্মীৎলোন ৱাংবা ঙমজদবা থৌওং কয়াদগী খুন্নাই মা মুত্থিবগী মরম ওইহল্লি। নোংমা নীনিদা লৈখায় তানা লৌশিং পীদুনা মীয়াম অমা কনবা ঙমগনি হায়বদি থাজনরোই। পাংজদবা খুন্নাই ওইরবসু চৎনলোন অমনা খুন্নাই অমা ঙাক শেন্দুনা থম্বীবা তারকই। মদু পাঙথোক্লবা তঙাইফদবা লুচিংবা থিরকপা তারক্লি।

করিগুম্বদা শা-ঙা, হৈ-লৈ পাম্বী, য়ূম-কয়া ফাওবা মাঙখিগদৌবদগী কন্নবা ঙাক শেন্দুনা থম্নরি। মীওই খরনা ৱাখল্লোনসিগী ৱাংমদা কাঙলূপ অমবু নমথবা, মুথৎপা, তুহৎপা ঙম্নবা অনেম্বা ৱাখল্লোন্দা ফোংনা মুক্লবা, হাৎন-শুনবা কয়া ঙসি ফাওবা চত্থনরি। ৱাহৈনা ফাওবা ফোঙদোক্তবা থৌওং কয়ানা কাঙলূপ অমগী থবক থৌদা কয়া মুন্দুনা অরোনবা লাল্লোং অমগুম খুন্নাই অমা মুথৎপা ঙম্নরক্লি। মসি পূম্নমক মুন্না খন্নবা ঙমহৌদনা কাঙলূপ কয়াদি ঙসিগী খুমাঙ চাওখৎলবা টেক্নোলোজি লৈজদবদগী নোংম-নোংমগী মীখা পোনবগী থাক্তা চঙশিল্লক্লি। মী ওইনা ঙাকপী শেনবীবগী থৌরাং লৈরক্ত্রবদি মুত্থরক্লিবা কাঙলূপ অদুমক্কী থৌদাং হেনগৎলকই, ৱাখল লৌশিংগী তঙাইফদবা লাকই। মদুমক খঙলবা লুচিংবা লমদম অসিগী লৈরবরা হংবা তারকই।

লুচিংবা খরনদি অচৌবা কাঙলূপ অমদা লুপশিনগদৌবনি খঞ্জবসু লৈ। মশামক মশাগী কাঙলূপকী য়েক্লবা ওইরক্লবা, শৌকনি শাবা য়াওরকপগুম কাঙলূপ মনুংদা ৱাথোক কয়া হেনগৎলক্লি। অচৌবা কাঙলূপ্না মখোয়গী য়াইফবদুতা হায়বা, অপিকপা কাঙলূপশিংগী য়েংবীবা ৱাৎপা ৱাঙাঙ কয়া ফোংনা ঙাঙনরক্লি। হৌরকফম পুনবা লমদম অসিগী কাঙলূপ মচাশিং ঙসি ফাওবা পুনশিনবা ঙম্নদবা অসিমক্লা হেন্না চাওবা কাঙলূপশিংনা খাই-খাইদুনা চাশিল্লকপগী মাঙজবা কয়া মায়োক্লরি। মশাগী শক্তম মীরায়রুবনা, লোলগী, নাৎকী, লাইনীংগী চয়েৎনবা কয়া থোক্লক্লি। মদুমক্না কাঙলূপ-কাঙলূপ মনুংদা কাঙলূপ অদুমক থুগায়নবগী অচৌবা ফোর্স ওইরক্লি। মতম অসিদা মথৌনা লৈবা লুচিংবা তঙাইফদনা চঙলকই। থায়না নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মীওই অমা অনীনা হেক্তা লুচিংপুরেল ওইনরম্বগী ৱাখল লৌশিংনা ঙসিগী লুচিংবা হেক্তা ওইবা ঙম্নরক্তবা য়ারি। থৱায় কৎলগা হেক্তা লুচিংবা ওইবা ঙম্লগনি হায়বসু লৈতে, লাইনা থারকপা ঙাইবা মানবগী থাজনবী লৈতবসু নত্তে। থবক মুন্নরিবশিং লুচিংবা নত্তে। পূন্না লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমনা অমবু ৱারৌনবগী অপিকপা ৱাখল থাদোকপা ঙম্নদবগী থৌওং লৈরি। মহৈ-মশীন তম্নরবা কয়া মশাগী মরৌশিং শীজিন্নবা ঙমদনা থাজনবী কয়াদা ঙাওদুনা লৈনবা ময়াওরি। মসি পূম্নমক হৌখ্রবা পুৱারীশিংগী মহয় চাবনি, কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমদা তাইনবা, ফুরুপ অমগী অশোয়বা-অরানবা ওইনা পাউথংনদুনা লৈনবনা অচুম্বা, ৱাখল্লোন ওইরক্তরে। ঙসিদি খরা হেন্না পাক চাউনা য়েংবা মিৎয়েং অমদা নিংথৌ পাল্লিঙৈগী লোনচৎ অদু দেমোক্রেসি চৎলবা মতমদা হোংবা ঙম্নদ্রিবা লৈবাক মীয়ামগী ৱাখল্লোনগী থাক অমনা লুচিংবা কয়াগী মরায়বক থীনবগী মরম ওইরম্বসু য়ারি। লুচিংবা ওইরম্বা হিজম ইরাবতকী লাইবক্তসু মসিমক্কী চৈথেং লৈরম্বা য়ারিবনি। ঙসিগী লুচিংবদি ঙসিগী তাইবঙপান খঙদবা য়ারোইদৌরি। ফুরুপ অমগী পুৱারী ফাওবা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদনা পামজবা, ওইহন্নীংবা মওং অমদা হেক্তা চফু শাবা হৌবগুম্না খুন্নাই অমা শাগৎপা হৌরবদি তোয়না কিন্থবা তারকই। লুচিংবা অমনা খুন্নাই অমবু ফাগি তাহনবা য়াবগী অকিবা লাক্লি। ঙসিগী লুচিংবশিংনা করি তৌরিবগে?

ঙসিগী তাইবঙপান্দা থিবা ফংদববু করি লৈরিবগে? লুচিংবা পাম্বশিংনা প্রেক্টিশ তৌনীংবা ৱাখল্লোন কয়াগী লাইব্রেরি মতিক চানা লৈরে হায়বা য়ারবা মতমসিদা লুচিংবা মরক্তা করিগী ৱাখল্লোন খেন্নবগী ৱাথোক ওইগদৌরিবনো? পূন্না ফম্মিন্নদুনা পাউ ফাওদোক্লদবগী মহয় মীয়াম্না চারিব্রা নৎত্রগা লুচিংবা পাম্বশিংনা লুচিংপুরেল পুথোকপা ঙমদবগীরা হায়বা মরম কয়াসু থিদোকপা তারকই। অপিকপা ফুরুপকী লুচিংবগী ৱাখল্লোনগা অচৌবা ফুরুপকী লুচিংবশিংগী ৱাখল্লোনগা কদায় ফাওবা নক্লনা চৎপা ঙম্লিবগে? মীয়াম হায়বদি ভোট খোল্লিবা মীয়ামসিরা, ভোট য়োল্লিবা মীয়ামদুরা? মখোয়গী লুচিংবদুরা অতোপ্পা লুচিংবা অদুরা মীয়ামগী লুচিংবা হায়গদৌরিবসি। ঙসিদি চমম্নবনা থল্লবা মীয়াম অসিগী লুচিংবা অরায়বা ওইদ্রে হায়বদি থৌদোক ৱাথোকশিং অসিনা উৎলি। শেল তানবা, শেন্থং মুন্নবগী কাংজৈ শান্নবশিংবু লৈবাক্কী লুচিংবনি হায়বা তারবদি খুন্নাই অমগী তুংগী শক্তম উৎপা ঙম্বদি কনানা ওইবা তারি। মিলিনিয়রসু ওইসনু, লাইশু তোংসনু করম্বা লুচিংবনা মুত্থরক্লিবা খুন্নাই অসিবু কনবা ঙমগেদৌরি? খুন্নাই কনবা হায়বসি কনাগী য়েক্লবা নত্তে। শেল তানবগী ৱাখল্লোন্দা মীয়ামগী লুচিংবা ওইবা ফংলিবশিংনা খুন্নাই অমা কনবা ঙমগনি খল্লবদি মীয়ামগী অচৌবা অশোয়বা অমসু ঙসি ফাওবা চৎনবী ওইরি হায়বনি। হুরানবশিংনা য়ূম্বু হাৎলম্বগী ৱারীদি অনৌবা নত্তে। অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা লৈবাক অমা ওইরম্বগী ফিরোই শোন্নগুম চারা অমা চাগনি, নোংমা মতম লেনগনি, অথৌবশিংগী ৱাখল্লোন চাইখায়গনি। মীয়াম্বু হুমদুনা পুবা ঙম্লিবশিংগী ৱাখল্লোন চাইখায়গনি। মীয়াম্বু হুমদুনা পুবা ঙম্লিবশিংবু লুচিংবা কৌবা, হাৎপদগী শিরগনা অথৌবা কৌনবা তারবদি মালেমসি ঐখোয়গী শরুক য়াওরক্লোইদৌরি। থৱায় কৎখ্রবশিং অদুদা ঙসিগী মীয়াম্না কয়াদা লঙজরবনো?

পঞ্জরিবা মথক্কী ৱাফমসি জর্নেল অমগী কুমজা ২০১২গী ওক্টোবরগী অনীশুবা ভোল্যুমদা ফোঙদোকচখ্রবা ৱাফম্মক্তুনি। ঙসিসু অমুক ময়ামদা থমজরিবগী মরমসু অহোংবা অমা উবা ফংলক্তবা অসিদগী নৌহৌননা পুথোকচবনি। ঐ অমনা চুল্লবদি হায়জবসু নৎচদে, করিনো অমদি ৱাৎলিব্রা হায়বদুনি। লৈরমদবা ৱাফম অমা খন্ন-নৈনরগা পুথোকপা য়াবা লৈগনি হায়জবতনি। লৈরিবা ফীভম অসিদা অসুম্মক লৈবা তারবদি মালেমগী মীয়াম মমাঙদা ফি শেৎলবা শা অমা ওইনা হিংবা ঙম্লবনি হায়বসি য়ানরক্তবা তারক্লি।

লৈবাক নীংবগী লানবা হায়বা লৈতে, নীংবা য়ৌদবা, থবক ঙমদবদুনি লাল্লক্লিবদি। মরৈবাক নীংবা কয়া ফাঁসি তৌরিবা করিগীনো? মীয়ামদু শেম-শাগৎপা মপূং ফাদবা ওইগনি। শেম শাগৎপা ঙমদ্রবদি লৈবাক নীংবসি পঙনীং নীংবা চুমগদৌবা মাল্লক্ত্রে। ঐখোয়না তৌরিবসিনা কদায় ফাওবা চুল্লবনো? ৱাহং অসিগী পাউখুম কনানা পীগদৌরিবগে? থবক্লা উৎকদৌবনি, চিন্না মেনবা য়ারোইদবা অমনি। ঐদি লৈবাক নীংবনি হায়দুনা শান্নবদি চিন-য়া কেনবা য়ারিবা ৱানি। লমদমসিগী লৈবাক্তুদি মুৎখ্রবনি। কনানসু নীংবিদ্রবা লৈবাকপু লৈবা য়াব্রা? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।